ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ০৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩৯শুবা মশীং

# ৱার ওন দ্রগস

## ফৈজে চিংথোক্কনু, চুম্না লান্থেংনৌ

মণিপুর লৈঙাক্না 'ৱার ওন দ্রগস' হায়রক্লিবসি কুইরে। চহী ৫ মতোল লোম্না পানখিবা মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদগী হায়রক্লবনি। চুম্না হায়বতা নত্তে, চিন খক্তা নত্তে খূৎসু য়াওখি। নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টকী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা কেসশিংগী ৱায়েল চখনবগী দিজিগনেট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিং অমসুং লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতসু স্পেসল কোর্ট অমা লৈনা লৈনা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা এন দি এন্দ পি এস খক্তগী ওইবা 'ফাষ্ট ত্রেক কোর্ট' ফাওবা লিংখৎখি। পোপ্পী পাম্বীশিং থাবা চীংমীশিংবু শিনফমসিদগী হোংদোকহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎখি। হোর্টিকলচর অমসুং এগ্রিকলচরগী মরূ-মরাং কয়া পীখি / য়েন্থোকখি। পোপ্পী পাম্বীশিং থাররোই হায়দুনা লাউথোরকপা খুলশিংদা য়াল্লবা শেলগী মনা পীখি। অদুগা খুন্নাইসিগী মীরোলবু মরূ ফংনা মাঙহনবা ঙম্বা ময়াই কাবা দ্রগশিং ফাগৎপা ঙম্বা পুলিস পর্সনেলশিংদসু এৱার্দ/রিৱার্দ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। ৱার ওন দ্রগস মায় পাক্লবা অকনবা লান শোক্লখি। থাগৎনীংঙাইনি, লৈবাক মীয়ামগী ওইবা অফবা থবকনি। থবকসিমক ১২শুবা অনৌবা মীখল মতুংদা লিংলক্লিবা লৈঙাকসিনসু অমুক মখা শমথরকই। চুম্নতা শমথরকপা নত্তে, হন্দক্তি 'টাস্ক ফোর্স' ফাওবা শেমগৎলকই। ৱার ওন দ্রগস - টু হেন্না মপাঙ্গল হাপ্লকই। ফাবা, পুনবগী থবকসু মমাঙগীদগী হেন্না কশিল্লকই। মসিমক য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। লৈবাক মীয়াম অমসুং মীয়ামগী ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক্লসু অঙম্বা মতেং পাংগদবনি। ৱার ওন দ্রগসকী লানফমদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট খক্তা নত্তনা মীয়াম পূন্নমকসু মায় পাক্তুনা পজেং ফিরাল থেৎতুনা সঞ্জেনথোংগী থোংয়াইদা শামু তোংদুনা লাক্কদবনি, লাকপসু ওইসনু।

অদুবু লৈঙাক্না অদুক য়াম্না থৱায় য়াওনা শোক্লুরক্লিবা দ্রগকী লানসিগী লাল্লক্তা নার্কোটিক দ্রগস, সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস অমসুং ইল্লিসিট ত্রাফিক্কিং থিংবগী থবক্কা হকথেংননা মরী লৈনরিবা নার্কোটিক্স এন্দ এফ্যেরস ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী হেদ কন্সটেবল মরি অমসুং কন্সটেবল অমগা পূন্না পর্সনেল মঙানা তৌরল্লিবা থৌওংসিবু করিনো? এপ্রিল ১৯, ২০২২দা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমদা দ্রগকী মায়োক্তা চথখিবা ওপরেসন অমদা পর্সনেল মঙাসিনা 'অন-প্রোফেসনল' ওইবা থৌওংশিং চথখি হায়বনি। ৱাফমসিসু থৌদোক্তুগী মতাংদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেল মঙাদুগী মথক্তা এক্সপ্লেনেসন কোল তৌখিবা এন এ বিগী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা এপ্রিল ২৭, ২০২২দা এন এ বিগী এস পিদা লানখৎলকপা রিপোর্টতা ময়েক শেংনা পল্লকপনি। এদিসনেল এস পিগী রিপোর্টতা ফজবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা 'অন-প্রোফেসনল' হায়না ফোঙদোকপগী ৱাদনি। এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সনশিংনা য়াদবা ময়াই কাবা পোৎলমশিংগা মরী লৈনবনি নৎত্রগা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী দিটেন তৌরগা মহাবলিগী অস্বাইদা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈনবা কিহন-খংহল্লগা নমদুনা লৌরগা মনিংথোঙদা পাকথরগা হুকপগী ফীভমদা চথরুবনি। মথি ফোংলকপদগী ৱাথোক ওইরকপনি। এক্সপ্লেনেসন কোল তৌরকপনি। মসিগী রিপোর্টতগী সর্ভিসতগী ফাওবা সস্পেন্দ তৌরকপনি। অদুবু পুলিস দিপার্টমেন্টকী ওইনা শাগৈগী মৈতাল অশিবা ওইরকপা, চেঙ চেঙকোক অমা মাঙথোক্কদবা চাক চগ্রিং ওইরকপা অমসুং লংলবা পুলিসকী মায়থোঙবু হামুক তৈশিনবগুম থোকহল্লিবা থৌদোকসিবু করিনো? ৱার ওন দ্রগসকী কল্লবা লানফমদা থাগী তোলোপনা কোন্নজদবা পর্সনেলশিং মশক খঙদোক্লগা মতুংদা অমুক হন্না য়াওহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎহৌ। এন এ বিগী য়াওনা পুলিস পর্সনেলশিংগী মরক্তগী খরনা অসিগুম্বা অন-প্রোফেসনল ওইবা থৌওংনি হায়দুনা ফজবরোমদা পুথোক্লগা হায়রক্লিবা থৌওংসিদগী হেন্দোরক্তুনা দ্রগ/ টেব্লেটকা কোন্ননা ফাগৎখিবা থৌদোক কয়া থোকখ্রবনি। মখোয় খরসিদি থিগং উরগা দোলাইদগী চোংথরকই হায়বগুম্বগী থৌওংদু চথরকপনি। পুলিস দিপার্টমেন্টসু মায় খুনি, দ্রগকী লানফমদসু মায়থীনি। চুম্নগী সস্পেন্দখক্তা তৌগনু, থবক্তগী লৌথোকউ, য়াদে হায়ব'মা খঙহল্লু। লৈহৌরিবা অতৈ পর্সনেলশিংদসু ফজবা পাড়া ওইহৌনি। লৈঙাক্কী ৱার ওন দ্রগসসু উৎতা ঘি হৈবদৌনসু থোকহল্লক্লোই। নো সরেন্দর, নো কমপ্রোমাইজ হায়বগী ফিরেপ চপ চানা লৈরগা চঙশিনবনা দ্রগকী লান অসি মায় পাক্কদবনি হায়বসি লৈঙাক্নসু মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু কাউহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদগী ৱারী অনীখক, **"য়াম্না হকচিনবা নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অনীমক পাখঙ লৈশাবী, নুংশিনবা ৱানা থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা নত্তে। য়ূম পাল্লবা, নুংশিননা লৈরবা তুংদা কায়নবা অমসুং অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা হঞ্জিন্নবা ঙাক্তনি।"** ৱারী অনীসি মমিংসু ওইরিবা লাইরিক্তু করিনো?

২) **"মিৎয়েং অমা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৩) **"ত্যাগ পত্র"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"লীগী লীশাগা শন্নবা/খূৎনা পায়বগুম লৈরিবা/চাংজৌ নীঙজোন্দ তাখ্রবা/গম্ভীরা তুরেল মহাক্কী/অমুবা লাইজ চরৈবু/হাইদোক্লগা কুমথরকপা/নঙনা লম্ফে চৎলুবদি/য়াম্না লুনা থোক্লরনি।/মহাও খঙলবা কনানা/খ্বাঙদৈ চরৈ নান্থখ্রবী/নুজা মাবু হুন্দোক্তুনা/খোঙশানবা ঙম্বা য়াওবগে?"*** শৈরেং মতেক অসি মহাকবি কালিদাসকী "মেঘদুত" হায়বদুদগী মণিপুরী অনুবাদতগীনি। অনুবাদ তৌরিবসি কনানো?

৫) ১৯৪৯ ইং নবেম্বরদা অহানবা নম্বা **"ইখৌ-লাংবা"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭৬

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মণিপুরী শুমাং লীলাদা অচৌবা খুদোল পীরল্লগা মপুগী য়াথং মতুংইন্না পুন্সি চেঙজেল লোইখ্রবা ঐগী মরুপ লৈশাংথেম ধনবির মীয়াম্নদি মহাকপু চারশোবিস শাবা হায়না খঙবীবদু ঙসিসু ঐগী নীংশিংবগী থোঙনাওদা নীংশিংলকই। মহাক তোপ তোপ্পা মশাগী মতিক ময়াই অমা চেনবা মীশক অমনি। লাইরিক লাইশুগী মহৈ মশীন্দদি খরা ৱাৎচরবসু ফাগি তৌবগী লম্ অসিদদি পীথোরকপনি। পীথোরকপা অমা য়াওবনা মহাক্না তৌরিমখৈ ইপক্তা পকচখিবনি। মমিং লৈরবা লীলা কয়া ঐখোয়না পুথোকখিবদা মহাক্কী চাওরবা কন্ত্রিব্যুসন লৈখি। মখল কয়াগী রোল শাবদা মহাক য়াম্না চুশিন্নখি। মহাক্কী মরমদা হায়বা তারবদি নোংমা চূপ্পা লীরবসু লোইবদি নাইরোই। মরমদি মহাক্না য়াম্না শাংনা লোয়নখিবা ওইবনা ৱারী খুদিংমক ঐঙোন্দা তূংদুনা লৈহৌই। ধনবির চাবা থকপা য়াম্না ফৈ, থোঙ থাকপা, মথেল শেম্বা য়াম্না হৈ। লীলা চত্তবদা লম্ফেলদা মহাক ঙা ফাবা চৎলি। নুমিদাং শুকতুম তূমদনা ঙা ফাই। ইন চিংবনি, মদুদা ফারকপা ঙাদু লৌদুনা ফনা কুইনা চানবা লীদুনা থম্মী। ঙাতেক ঙানৌ থোকপা মতমসি ঐ হেক হেক মখোয়দা চৎলি। মহাক অয়াম্বদা লম্ফেলদা লৈ। অহিং য়ারেক্লবা ঙা ফাবগী শঙনাও অমা শারগা লৈথোকই। পিশক পিক্লিঙৈ মতমদা লম্ফেলপাৎ হায়বসিদা মতম মতমগী ওইনা শিন্থা কয়া তৌরকপা মীশকনি। কুম অমগী থানবা শীং লাঙ্গোল চীংদা য়াল্লুই। শীংগৈ ওইনা পৈদুনা থম্মী। মদুগী মীহুন অদু মহাক্না ফনা য়াম্না ফাওরবসু নোংজু পন্থা লাকপা ইঙা মতমদদি অসুম্না ঙা হেক হেক ফাই। মানা পাউ মথং মথং পীরকপদগী ঙা লৌই। অশেংবসু লম্ফেলদগী ফাবা ঙা মচা ঙাশাংগসিদি ওন্থোক্না হাওখ্রবজাৎনি।

ধনবিরসি লীলাগী দাইলোগ ফাবসি খরা তপ্পা। লীলা ফোঙবা মতমদা মহাক দাইলোগসি য়াম্না ঙমদে। নোংমা নোংমগী খরা খরা হাপ্পগা কোন্না মপূং ফারকপনি। দাইলোগ ফাগন্দে হায়না ঐখোয়না হেক হেক হায়বদু মানা ইরায় লায়না খুন্মী, "কোকসি য়াদেনে, চঙউ য়াদেনে, অদুবু য়ানি, ঐনা থোকপা অদুম তৌরক্কে"। লীলা ময়ায় হেক থোকখিবা মাগী মশক উবদগী হৌরে, ভাবোকশিংনা নুংঙাইবা। অদুনা মানা থোকপা ঙল্লগা লীলাসি অদুম শান্নে। মাগী শাথীবা অমনা দাইলোগসি ফাখ্রবা মঙোন্দা ফিক্স হেক তৌখিবগা হেন্দোক হেঞ্জিন, হাপতোক হাপচিনসি মঙোন্দা হেক তৌরুবদা নর্ভস চৎলি। অদুনা হান্না ফজনা সি হায়রক্কে সুম্মাইনা খুন্মকউ হায়না ফজনা হায়নরগা চঙখ্রদি অদুম ফজনা তৌরক্কনি। মবুক ইচম চম্বা, খোইখা লিনখা থাদবা মীশকনি। ঐগী পুন্সিদা কাউবা ঙল্লরোইদবা নুমিৎ অমখক লৈখি। মদুমদি করিগুম্বা মতমদা হেক হেক নীংশিংলকই। মাগী অপোকপা ববাদু লৈখিদবগী নুমিৎসি ঐখোয় লীলা কন্না শান্নরি। লৈখিদ্রে হায়বগী পাউসি ঐখোয়গা তিন্নবা মরুপ অমনা গাড়ী মচা অমা থৌদুনা লাক্লগা পাউ পীরকই। মহাক থেংনহন্দনা পাউদু লৌহৌরগা লীলাদু লোইনবা শান্নরমদ্রবদি ফরক অমা তারনি খনবদগী মঙোন্দা হায়দোক্ত্রে। মরমদি লীলাদু শান্নবা তঞ্জাই হেন্না চল্লবনি। নুমিৎতুদা শান্নখিবা লীলাদু ঐনা ইবা "হিংবগী মহাউ" হায়বা লীলা অদুনি। মদুদা মানা অপঙবা অমা শাই। লীলাগী মতাং ওইনা মহাক্না লম্বোইরগা চৎলনি হায়না লম্বোইবগী ফিজেৎ শেৎলগা থোরকপা অমা য়াওই। মদু উবদা ঐ য়াম্না নুংঙাইখিদে, কপখি। ঐখোয়গী পার্টিগী মী খরা অমদি পাউ অসি লোন্না লোন্না হায়নবদগী খঙনরে, খঙনদবসু য়াওরি। লীলাদু লোইরগা ঐখোয় য়াম্না থুনা হল্লক্লবা শেম শারে। লীলাগী ওফিসতা চঙবগী মহুত্তা মখোয়গী য়ূমলোমদা ওইনা ঐখোয়গী গাড়ীদু থৌরক্লে। অদুদা মানা হংই, "করিগীনো, সোমদা চৎলিসে?" "ঐ-য়ূমদা থিল্লমগে তৌবনি"। "ঐগী গাড়ী ওফিসতা লৈহৌরিনে"। "হয়েং ওইনা লৌরো"। ফীভম অদুদা মঙোন্দা করিগুম্বা চিংনবা অমদি লৈবগুম তৌখি। শেংনা থোক্লিবা থৌদোক্তু মঙোন্দা হায়রে। অদুদা গাড়ী মনুংদা মানা নুংঙাইতনা কপখিবদো, ঙসিসু নীংশিংলি।

মতমদুদা ঐখোয় পার্টিগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবসি মাগা ঐগনি। অদুনা নুংথিল লীলা চৎপসি য়াম্না খুদোং চাদে, ছুটি নুমিৎকুম্বা নৎত্রবদি ওফিসতগী ঙন্না লাকপদা খুদোং চাদবা লৈবনা য়ারিমখৈ লীলাসি নুংথিলদা লৌদে। মদু লীলাগী পার্টিনদি য়াম্না য়ানীংখিদে। মখোয় অনীগী য়েংদুনা ঐখোয় শেল তানবদা অকায়বা পী। লীলা য়াওগে য়াও, তোক্কে তোকউ হায়না হায়। ঐখোয় খুমদে, অদুদা মহাক ৱারৌবা অমা য়াওবদগী লীলা তোক্লগে হায়না কন্না হেক্তা মহায়রে। মদুদা ঐনা তোকপা য়ারোই হায়না থিংখি। করিগুম্বা তোক্লম্বা তারবদি মহাক্কী ফজরবা পার্ফোর্মেন্স ময়াম অমা মীয়াম্না উদনা তোকখিবা য়াই। ময়ামদু ঐনা কমপ্রোমাইজ তৌরগা খরা খরা য়েংনরগা তৌরসি হায়দুনা লীলাদু অদুম চথৈ। য়াম্না কন্না মরৈ তৌনরকপশিংদু, হায়বদদি ফজদ্রে, তোকহনখি, মখোয়গী মহুৎ অনৌবা য়াওহল্লগা ঐখোয় লীলাদু চথখি। থবক তৌবা মশেলদসু অদুম য়েংশিন্নবা লৈতবা নত্তে। অদুনা মানা তৌবদি য়াব্রা হায়না হেক হেক হায়বসিদা ওইরে, কোকসি নাকল অনীমক্তা শারিসে। ওফিসতসু অদুগা পার্টিদসু। মসি ময়ামসি পুনবা হোৎনবদা অসুক্কী মতিক ৱাখি। অদুবু ঐখোয় অনী লীলাদু তোক্তনা চথমিন্নরকখিবনি। কুম অমদি মখোয়গী ওফিসরনা শিন্দুনা তমেংলোংদা ফোককী দান্স ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোকখি। মদুদা মহাকসু দ্যুটি তাহল্লকপদগী তমেংলোংদা নুমিৎ খরনি লৈতবা য়াখিদে। লীলাদি নুংতিগী লৈবা, মাদি য়াওররোইদবা অদুনা কমাই তৌনি হায়না খন্নবদা মাগী মহুৎ অমা শিল্লগা লীলাদু তৌসি হায়নরকপদগী মহুৎ অমা থিবদা কুম্মৈ তাই হায়দু হেক তৌখি। ধনবিরগুম্বা অমগী মহুৎ কনানা শিনগনি। মসি অরুবা অমনি। থাদোই হায়না লীলা গ্রুপ অমা লৈরম্মী। মদুদা শৌরা শাবদু ইরাবোত কৌই। মহাক ঐনা ময়ূমদা চৎতুনা উন্নরুরে, ৱারী শারুরে। নুমিৎ খরনিদং ধনবিরগী মহুৎ শিনবীদুনা লীলা কুম্বীয়ু হায়না। অদুদসু মহাক অহানবদা য়ারকখিদে। মাগী মহুৎ ঐনা শিনবা ঙল্লোই, মীনা পেন্নরোই হায়না কন্না হায়খি। অদুবু লীলাশিংদু হায়দোকপা য়াদবদগী তৌবনি মতেং খরা পাংবীরো হায়না কন্না হায়বদগী য়াদুনা লীলা শান্নগদবশিংদু খুদক্তা তম্লগা মহাক্না মহুৎ শিন্দুনা শান্নখি। ভাবোক্লদি কয়া পেন্নবা ওইখিদ্রবসু অদুম য়ান-য়ানবা তৌখি।

নোংমা য়াম্না নোক্লিংবা থৌদোক অমসু থোকখি। নম্বোল মায়কৈরোমদা লীলা অমা শান্নবনি (লমদুমক পনবদি পঞ্জদ্রে) ৱারৌবীনু। নীংশিংদবা নত্তে, লৈকায়দুনা ৱারৌনি হায়না পন্দবনি। নুমিৎতু ষ্টেজ শাই। স্কুলগী ফান দেস্কশিংদু পাক্না থারগা শেম্বা ষ্টেজনি, মখোঙদুসু থ্রোক থ্রোক নোম্মী। ক্লবকী চেরিটি শো ওইনা শান্নবনি। ঐখোয়না হেক য়ৌবগদি হায়জবনি, য়ারগদি ঐখোয় লমহাংদা ইকোয় কোয়না শান্নজগে, শুমাং লীলাদি অদুনা হেন্না ফৈ হায়বদা মখোয়না ষ্টেজদা ওইনা এরেঞ্জ তৌজরুরে, ঐখোয়গী টিকেটসি ক্লাস খরসু খায়দোকই। শেল খরা য়াম্বনা মমাঙদা চ্যেরদা শেমজবনি অদুনা য়ারগদি সিদা সুম তৌবীরো হায়না হায়বদগী ঐখোয় ষ্টেজদুদা লীলাদু শান্নবা তাখি। ঐনা খনবদা লীলাদু "অপাইবা লৈচিল" হায়বদু ওইরমগনি হায়না খল্লি। লীলাদু শান্নরে। তঞ্জাই চল্লকপা মতমদা মাগা ঐগা পূন্না থোকপা সিন অমনি। লীলাদুদা মানা লৌখিবা রোলদুনা ত্রিপুরাগী নিংথৌ অমা শাবনি। শেল য়াম্না পায়বা ইমুং অমগী লৈশাবী অমা মাসু শেঞ্জাও পায়বনি হায়জিল্লগা কোয়বনি। ঐনা মাগী প্রাইভেট সেক্রেটরি অমা শাবনি। ঐনা মাগী মচননুপীদু কোয়নরিবনি। য়াম্না নুংঙাইবা অমদি নোকসু য়াম্না নোকনীংবা লীলা মখল অমনি। সিনদুদা মহাক চ্যের অমদা ফমহল্লগা নুপীদুগী মপাগা ঐগা ৱারী কন্না শানরিঙৈদা লীলা য়েংলিবা ময়ামদু ৱা লাউনা য়াম্না হৌনা নোকখি। ঐনা করি তৌরবনো হায়না খল্লগা মায় লৈশিল্লকপদা চ্যেরদা ফমহৌবা মহাকসু চ্যেরদুসু লৈরমদ্রে। ময়ামসু নোকপা লেপ্তে। অদুদগী ঙাইহাক্কী মতুংদা ষ্টেজ মখাদগী চৌক্রিদু হান্না ইনখৎলক্লগা মহাকসু মঙক লিৎখৎলক্লগা কাখৎলকই। ময়ামসু, ঐখোয়সু কৈসু পূন্না নোকমিন্নরে। ষ্টেজদুদা চ্যেরদুগা করিগা পুথরগা মাদি ফম্না ফম্না অদুম মখাদা তাখ্রজাৎনি। নুমিৎতুদা ঐখোয় লীলাদু পংনোক্তা নোকপদা কৈনো মেন মান অমা তাখিদ্রবনি।

শাংলবা মতমনি ৱারী ৱাখোঙ ময়াম অমা লৈরি। অদুবু লোইনমক তম্বগী খুদোংচাবদি লৈতে। মণিপুরগী শুমাং লীলাদা মহাক্না কল্লম্বা মফম অদুমদি ঙসিসু অদুমক হাঙদুনা লৈরি। ফাগি পুবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অহল লমন কয়া অমা লৈখ্রে। মখোয় ময়াম অদুগী মনুংদা মহাকসু মতিক চাবা মীশক অমনি হায়না লৌনরি। ঙসিসু মহাক্না উৎলম্বা পর্ফোর্মেন্স কয়া কনা অমত্তনা কাউবা ঙম্নদ্রি। মহাক্কী থৱায় মিরেলনা মপু মাগী মনাক্তা লেঙদনা লৈবা ওইরসনু। ●

# নোংমদা লিশীং ২০ হেল্লে

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

মমাঙগী ৱারেং কয়াদা য়াম্না চাউথোকচনা টাইৱান হায়রিবা লৈঙাকসিনা মতৌ করম্না কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা লৌখিবা খোঙথাং কয়া পঞ্জখিবদো ঙসিদি ইকপু ইকায়জৈ তমগদবা। এপ্রিল থাখায় চল্লকপা অদুৱাইদগী ঙসি মেগী তাং ৪ ফাওবদা নোংমা নোংমগী পোজিটিভ ওইবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপনা ঙসিদি পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ ওইবা মীওই লিশীং ২৩,১১৯ য়ৌরে (twenty-three thousand plus) । অদুগা কোভিদ লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইবা মীশিংনা পূন্না লাখ অমগা লিশীং হুম্ফুদ্রা (১৭৩,৯৪২) হেল্লে। মসিনা মরম ওইদুনা প্রাইভেট অমদি গভর্ণমেন্টকী ওইবা মহৈশঙ চামঙামুক্তি ক্লাস খরা লোনবা নৎত্রগা স্কুল লোইনা লোনবনচিংবা তৌরে। ইচানুপী বেম বেম অমদি বুং বুংগী স্কুলসু ঙসি মে থাসিগী তাং ৪দগী তাং ১০ ফাওবা লোল্লে। ঐহাক্না য়ুনিভর্সিটিদসু ক্লাস কয়া অমা থোঙ লোনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী স্কুলদা ক্লাস তৌবা লেপ্লে লাইচৎ অসি শন্দোরকপা য়ৌরকপদগী। ফীভমসি য়ৌশিল্লকপদা, টাইৱান লৈঙাকসু তৌফম খঙদদুনা স্কুল খুদিংমক মাগী মাগী ফীভম য়েংলগা মহৈশঙ পুল্লপনা লোনগেরা নৎত্রগা লাইচৎ শন্দোকপা ক্লাসশিং খক্তা লোনগেরা হায়না লেপচবগী মনীং তম্বদু পীথোরক্লে।

তশেংবগীদি টাইৱান হায়রিবা ঈথৎসি SARS, বর্দ ফ্লু অমদি কোভিদ লাইচৎনচিংবা ঙাকথোকপদা য়াম্না শিংথানবা লমদম অমা ওইরম্বনি। অদুবু ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী থৌশাদবা, নাপল কাবা অমদি খঙ হৈতবা অসিনা মরম ওইদুনা টাইৱানসু অতৈ লৈবাক কয়াগুম লাইচৎ অসি থিংবদা মায়থীরে হায়বা য়ারে ঙসিগী ফীভম অসিনা। ফীভম অসিনা তাক্লি মদুদি ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসি হান্না পাল্লম্বা লৈঙাক্না তৌরম্বা শীংথানীংঙাই ওইবা থবকশিং তৌবা, লৌবা ঙমদ্রে হায়বদু তাকপনি হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা মীদিয়াদা ফোঙদোক্লরক্লি।

ঙসিগী ওমিক্রোন হায়রিবা লাইচৎ অসিদগী য়াম্না হেন্না শাথীখ্রবা, য়াম্না কিনখিবা SARS হায়না খঙনবা লাইচৎ অসি টাইৱান্দা কুমজা ২০০৩দা য়ৌরকপা মতমদুগী কৌমিনতাং (কে এম টি) লৈঙাক্না য়াম্না চেকশিন্না হোৎনবদগী SARS লাইচৎতুদা মীওই মিলিয়ন ৮ য়ৌনা লৈতবা হোঙ কোঙদা মীওই ১,৭৫০ পোজিটিভ ওইদুনা মীওই ২৮৬ লৈখিদবদা মিলিয়ন ২৫ হেন্না লৈবা টাইৱানদনা শুপ্নগী মীওই ৩১২ খক পোজিটিভ ওইখি অদুগা শিখিবনা মীওই ৮২ খকনি। হায়বদি মতমদুগী কে এম টি লৈঙাক্তা অখঙ অহৈ কয়া অমা য়াওখি লোয়ননা মীওইবগী পুন্সিবু অসুক্কী মতিক লূম্না লৌদুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি হায়নবনি। অদুবু লাইবক থীবদি, ঙসি পাল্লিবা Minchintang (Democratic Progressive Party) হায়রিবা পার্টি অসিগী লৈঙাকসিদদি মমাঙগী লৈঙাক্তা লৈরম্বা মতিক ময়াইশিং অদু য়াওদ্রে হায়না অখঙ অহৈ অমদি মীয়াম্না ফোঙদোক্লরি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী য়াম্না শোয়বা অমা হায়রগদি মখোয়গী নাপল য়াম্না চাউবা, হান্নগী কৌমিনতাং লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরম্বা অমদি লৈঙাক অসিগী মখাদা থবক তৌরম্বা থবক কয়া ঙসিগী লৈঙাক অসিগী করিসু খঙদবা মীওইশিংদা পীশিনবা অসিনি। মসিমক্তি য়ু এস এগী এক্স প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা তৌরম্বা। করিসু খঙ হৈতবা মহাক্কী মীওইশিং অচৌ অচৌবা ফমদা হাপচিনলুবদগী মহাক্কী লৈঙাক পুমচাই চাইবতা নত্তনা য়ু এস এগী হান্না লৈজরম্বা মতিক ময়াই কয়া মাঙহনখিবদো।

হৌরকপদা মীওই ১০গী মখাদা শিরম্বা অদুনা থৌশাদবা অমদি খঙ হৈতবনা মরম ওইদুনা ঙসিদি টাইৱান্দা কোভিদ লাইচৎনা শিহনখিবসি মীওই ৮৭৬ য়ৌখ্রে। করিগুম্বা কুমিনতাংগী লৈঙাক ওইরল্লবদি মীওই অসুক য়াম্না লমখাংদা পুন্সি লোম্লল্লোই হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্লরি। খঙদ্রদি হংলগা খঙগদবনি। অদুবু মখোয়গী নাপল অদুনা মরম ওইদুনা হান্নগী লৈঙাক্কী মতমদা SARS অমদি বর্দ ফ্লু লাইচৎনচিংবা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শরুক য়াখিবা লুচিংবশিং অমদি অখঙ অহৈশিংদুগা তান্ন-নৈনবসু তৌদে। মখোয়গী অসিগুম্বা লমচৎ, থৌওংসি কোভিদ লাইচৎ থেংনবখক নত্তে অতোপ্পা হীরম খুদিংমক্তসুনি। অনৌবা মিনচিন্তাং হায়রিবা লৈঙাক অসিনা কুমজা ২০১৬তগী ঙসি চহী ৬ শুরকপসিদা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী লৈনদুনা মরুপ ওইরম্বা লৈবাক ২১ লৈরম্বদা ঙসিদি শুপ্নগী লৈবাক মচা ১৪ খক্তা ঙাইরে, হায়বদি লৈবাক ৭ অমদি চৎখ্রে। লমসিদসু হান্নগী অখঙ অহৈশিংগা তান্ন-নৈনবসু তৌদে। কৌমিনতাং লৈঙাক্না পাল্লিঙৈ মতমদদি শেল থুমগী ফীভমসু য়াম্না ফরম্মী অদুগা লৈবাক অমত্তা মাঙখিবা লৈরমদে, লোয়ননা চাইনাগা অফবা মরী থল্লম্বনা মীয়াম্না চাইনা অমদি টাইৱান অনীগী মরক্তা লান থোরকপা য়াবগী অকিবসু মচেৎ অমত্তা লৈরমদে। ঙসিগী লৈঙাক অসিনা টাইৱানগী মপালদা লৈবা দিপ্লোমেটিক ওফিসশিংদা হান্নগী অখঙ অহৈ কয়া অমবু ফমদগী লৌথোক্লগা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী করিসু খঙ হৈতবা মীওই কয়া অমবু মকোক ওইহনবা অমদি থবক পীশিনবা অসিনসু য়াম্না চাউবা মরম অমনি টাইৱাননা অতোপ্পা লৈবাক কয়াগা দিপ্লোমেটিক মরী লৈনবা ৱাৎলক্লিবা। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা হীরম খুদিংমক্তা শোন্থরক্লি টাইৱানগী ফীভম।

লোইশিল্লকপদা, নোংমদা মীওই লিশীং কুন/কুন হেন্না শন্দোরক্লিবা ফীভম অসি মে থা অসি লোইরমদাই ফাওবা থোইদোক্না অহোংবা লাক্কনি হায়বা থাজদে হায়না অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোক্লরকপগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইবগী মশীংসি মীওই লাখ মঙাগা য়ৌরকপা য়াই হায়না পান্নরি। ফীভমসিদা ঐখোয় মীচম মীয়াম ইশা ইশানা চেকশিনজবা নত্তনা অতৈ লম্বীদি থোইদোকপা উদে ঙসিগী টাইৱানদা। অদুম ওইনমক ঐহাক্না য়াম্না কল্লকচবা অমনা, ফীভম অসি য়ৌর ফাওবদা টাইৱানদা মহৈ মশীন তম্বসিদি কনা অমত্তনা লায়না লৌবা লৈতে। পোলিটিকেল পার্টিশিং মখোয় মখোয়গী আইদিওলোজিদা খেন্নবা লৈরবসু মহৈ-মশীন তম্বসিদি পার্টি খুদিংমক্না লূম্না, লুনা লৌই। মরম অসিননি টাইৱান্দা SARS সু ওইসনু, কোভিদসু ওইসনু, প্রোটেষ্ট তৌবসু ওইসনু, ঈশিং-ঈচাও, য়ুহার হাবা থোকসনু মহৈ-মশীন তম্বসিদি য়ারিবমখৈ শুংলেপ হেক লেপ্তনবা হোৎনরিবা। ইচা বেম বেম অমদি বুং বুংগী স্কুলসু থোঙ থিংবদগী ঙসিদগী হৌনা য়ূমদা লৈদুনা ওনলাইন ক্লাসতা মহৈ তম্বা হৌরে। ঐহাক্কী য়ুনিভর্সিটিগীসু ঙরাংদগী ওনলাইনদা তম্বীবা হৌরে ক্লাস খরা অমদি। অদুগা মোম্মিগীসু মখোয়গী মহৈরোয়শিং ওনলাইনদা তম্বীবা হৌরে ঙরাংদগী। ইকুই কুইদৌ মান্দ্রে মহৈশঙ খুদিংমক ওনলাইনদা লোইনা তম্বীবা হৌরক্কদবা ঙসিগী ওইরিবা ফীভমসি য়েংলগদি। ইশা ইশানা চেকশিঞ্জনা লৈবনা য়াইফরে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।